**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-07-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি চাউখৎপা পুরকপগা লোয়ননা অপুনবগী শক্তম ঙাকবা থবক পায়খৎনবা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৰাংশংবমদা বি.জে.পি. হৈঙাং মন্দলনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-রাজনিতি তৌবা হায়বসি লম্বী থোং শেমগৎ শাগৎপা, চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা অদুখক নত্তে। রাজ্য অসিগী তুংগী মীরোলবু তেক্ত-কায়দনা অমদি নুংঙাই য়াইফনা থল্লমবা হোৎনবা হায়বসিসু তৌফম থোকপনি।

মহাকা মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈদা রাজ্য অসিগীদমক পায়খৎলম্বা থবকশিংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহনখি, দ্রগকী সমস্যা কোকহন্নবা মসি থিংবগী খোঙজং চংশিনখি অমদি মমাংদা লৈরম্বা অশোয়বা অরানবা কয়া শেমদোকবা থবক পায়খৎখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা মীওই মঙা থেংনখ্রে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙসি ইম্ফাল ষ্টে জিলাদা মীওই ১৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই মরি কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। ককচিং জিলাদা মীওই অনি টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হৌজিক রাজ্য অসিদা কোবিদকী এক্তিব কেস ২৫ লৈরি।

**নুপী (এল)ঃ** ওল মনিপুর নুপী মরুপকী ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা মীফমনা রাজ্য অসিগী ইরাংদগী লাঞ্জেন্নরিবশিংগী ময়ুম-মকৈ শাজনবা সরকারনা মতিক চাবা শেনফম পীবিনবা, তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মীফম অদুদা লুপ অসিগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা থৌ পুগদবা মীওইশিংসু খনখি।

**উ (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা বন মহোটসব পালনগী শরুক অমা ওইনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফাল অমদি রোটরি ক্লব ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা ঙসি রিমসকী অকোইবদা উ চারা কয়ামরুম থাবগা লোয়না লম-তু শেংদোকখ্রে।

অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৭, শিংজমৈনসু ইম্ফালগী মফম কয়াদা উ থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিট অসিগী মীওই ৩০০ লোমনা ইম্ফালগী পিশুম চিংঙামচা, লম্বীগী মেদিয়ানশিং, লৈকাইগী পুখ্রিগী অকোইবশিং অমদি অতৈ মফমশিংদা উশিং থাখি।

**মন্দলি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা সংস্কৃত্তিগী লমদা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লিবা হরিনাম সংস্কৃর্ত্তন জগ্যা মন্দলি লিংখৎখিবা চহি ৫০ শুরকপগী কুমওন থৌরম ঙসি ককচিং খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা রাধা মন্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা বিধান সভা সদস্য-ডা: উশম দেবেন শরুক য়াখি। থৌরমদুদা খুবাক ঈশৈ, পুং চোলোমনচিংবা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

**প্রাইজ (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী কৈরক য়ুনাইটেদ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংগী মহৈরোইশিং অমদি শান্নরোইশিংদা শেল অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী

থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিবলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা নম্বোল কেন্দ্রগী অফবা মহৈরোইশিংবু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমসু ঙসি নম্বোল বজারদা পাঙথোকখ্রে।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমুনা শকাইরবা মীওই মরিবু রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা খনখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি, শকাইরবা উকিল-উজৱাল দিওরাও নিকম, সোসিএল ৱাকর-সি. সদানন্দন মাস্তর, হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি-হরজ ভরধন শ্রীংলা অমসুং ইতিহাসকার অমসুং একাডমীসিয়ান-ডা: মিনক্সি জৈননি।

চেরোল অমদা গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-মহারাস্ত্রদগী শ্রী নিকাম মুম্বাই তেরর এট্টেকশিংগী কেসতা সরকারগী উকিল ওইখিবনি। কেরলাদগী সি. সদানন্দ মাস্তরনা মতম শাংনা মহৈ মশিং তম্বীবগী লম্বীদা লৈরক্লবা মীশকনি। মহাক অসি রাজনিতিগী ওইবা হিংশানা শোকহল্লবা অমদি মখোঙ অনিমক য়াওদ্রবা মীশক অমনি। শ্রী শ্রীংলানা আমেরিকা, বঙ্গলাদেস অমসুং থাইলেন্দদা ভারতকী এম্বেসেদর ওইরম্মী। মহাকা ২০২৩ দা ভারতকী জি-টৌইন্তি প্রসিদেন্সিগী চীফ কোওর্দিনেটরসু ওইখি। অদুগা ডা: জৈননা দিল্লি য়ূনিভরসিতিগী গারগী কলেজতা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইরম্মী।

কালা, সাহিত্য, সাইন্স অমসুং সোসিএল সার্ভিসকী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা মীওই ১২, রাস্ত্রপতিনা সংসদকী অপ্পর হাউসকীদমক নোমিট তৌই।

মীওই মরি অসিবু রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা খল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা মীওইশিং অদুনা তৌখিবা থবক কয়াবু শিংথাখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুরগী মতমদা ব্রমোস মীসাইলনা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক পাঙথোকখি। ওপরেসন সিন্ধুরগী মতুংদা মপাল লৈবাকশিংনা ব্রমোস মীসাইলবু পামবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

উত্তর প্রদেসকী মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র ওইরিবা লক্ষনৌগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা নেসনেল পি.জি. কলেজতা উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা চন্দ্রভানু গুপ্তগী মুর্ত্তি মায়খুম হাংদোক্লবা তুংদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক ১৪ না ব্রামোস মীসাইলবু লৈনবগীদমক হায়রক্লে অমসুং মসি লক্ষনৌদগী থাখিগনি। মসিনা রাজ্য অদূগী মীয়ামদা থবক ফংহনবগী চাংসু হেনগৎহল্লগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-উত্তর প্রদেস অসি লৈবাক অসিগী রাজনিতিগী খোঙচৎকী মরুওইবা মফম অমনি। রাজ্য অসিনা লৈবাক অসিগী মায়কৈসু লেপলি। মফম অদুদা থোকখিবা লুচিংবশিং অমদি নীংতম লান্মীশিংনা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি। চন্দ্রভানু গুপ্তা অসি লৈবাক অসিবু লমজিংখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাকপু ইকায় খুমবা উৎপা পোষ্টেল ষ্টাম্প অমসু শ্রী রাজনাথনা পুথোকখি।

যোগী অদিত্যনাথনা লুচিংবা হৌজিক পাল্লিবা রাজ্য সরকার অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-উত্তর প্রদেস অসি ঙসিদি আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফবগীদমক মীয়ামনা খঙনরি। অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি অসিনা চাউখৎপগী অনৌবা পন্দুপ অমদা চংশিনবগা লোয়ননা লৈবাক অসি চাউখৎহনবদা রাজ্য অদুনা পীরিবা দানসু হেনগৎলে হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**সেমিনারঃ** সুস্রুতা জয়েন্তিগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদ (এ.আই.আই.এ), ন্যু দিল্লিনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার-সল্যাকোন ২০২৫ ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

সেমিনার অসিদা জেনরেল সরজরি, এনো-রেক্টেল সরজরি অমসুং য়ুরো সরজিকেল কেসশিং য়াওনা সরজিকেল দেমোন্সত্রেসনশিং লাইফ ওইনা উৎকনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা জেনরেল এনদ্রোসকোফিক, রেপারোসকোপিক সরজরি তরা পাঙথোকখি।

হয়েং নিনি চনবা নুমিৎতা এনোরেটিকেল সরজরি ১৬ অদুগা অরোইবা হুমনি চনবা নুমিৎতা ওরেল অমসুং পোষ্টর প্রজেন্টেসন ২০০ হেন্না উৎকনি।

ইনোভেসন, ইন্টিগ্রেসন অমসুং ইন্সপিরেসন হায়বসিদা পান্দম থমদুনা পাঙথোক্লিবা সল্যাকোন ২০২৫ অসি মহৌশাদগী চৎনরকপা থৌওং অমসুং টেকোলোজি অনিগী অপুনবা থৌওংনি। মসিদা ভারত অমসুং মপান লৈবাক্কী শকাইরবা স্কোলারশিং, সরজন্দশিং, একাডমীসিয়ানশিং অমদি থিজিন খোৎচিনবগী থবক তৌরিবা মীওই ৫০০ হেনবনা শরুক য়ারি।

**জয়শঙ্করঃ** সিঙ্গাপুরগী খোঙচৎতা লৈরিবা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ঙসি লৈবাক অদুগী মহাক্কা ফম মান্নবা ভি. বালাকৃষ্ণনগা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মন্ত্রিনা হায়-সিঙ্গাপুর অসি ভারতকী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী ময়োলনি। ডা: জয়শঙ্করনা তেমাসেখ হোল্ডিংসকী চেয়ারমেন ওইনা খল্লবা তিওতিহিয়ানগসু উন্নখি। মহাকা ভারত্তা শেল থাদবগী লৈরিবা খুদোংচাবশিং অমদি অতৈ লমদা অওনবা কয়া পুরক্লিবা অসিগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

**রেলৱেজঃ** পেসেঞ্জরশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক রেলগাড়িগী দবা খুদিংমক্তা সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং হাপবা রেলৱেজনা ৱারেপ লৌখ্রে।

কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনব অমসুং রেলগী রাজ্য মন্ত্রি-রবনিত সিংহ রিতুনা লোকোমোটিব অমদি দবাশিংদা সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং হাপ্পগী থৌওং অদু য়েংশিনখি। মসিনা রেলগাড়িশিংদা হুরান চিন্থি তৌবা মীওইশিং

মশক খঙদোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। পেসেঞ্জরশিংগী অরোন-অথুপ ঙাকপা য়ানবগীদমক সি.সি.টি. কেমেরাশিং অসি মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা থোংশিংগী মনাক্তদা হাপকনি।

শ্রী বৈসনবনা রেলগাড়িগী দাবা লিশিং ৭৪ অমদি লোকোমোটিব লিশিং ১৫ দা সি.সি.টি. কেমেরা হাপ্লদা অয়াবা পীখ্রে। দাবা অমমমদা দুম টাইপকী সি.সি.টি. কেমেরা মরি-মরি হাপকনি অদুগা লোকোমোটিব অমমমদনা সি.সি.টি. কেমেরা তরুক-তরুক হাপকনি।

**উরিষ্যাঃ** উরিষ্যাগী বালাশ্বোর জিলাদা ফকির মোহোন ওটোনোমস কলেজকী নুপীমচা অমা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অমনা ইজৎ শোকপা থবক চৈখে হায়বগীদমক কলেজ কেম্পস মনুংদা মশা মতোমতা মৈ থাজখ্রে।

নুপীমচা অদু ভুবনেশ্বরগী এইমসতা লায়কন্নরি অমসুং মহাক্কী হকচাংগী চাদা ৯০ হেন্না মৈ চাকপদগী অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়রি। নুপীমচা অদুবু কন্নবা হোৎনখিবা অতোপ্পা মহৈরোই নুপামচা অমসু মৈনা চাকপদগী থিনা শোকখি। চেন্নরিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অদু পুলিসনা ফারে হায়রি। মশা মতোমতা মৈ থাজখিবগী থৌওং অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা উরিষ্যা সরকারনা কলেজ অদুগী প্রিন্সিপাল অমদি চেন্নরিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অদু সসপেন্দ তৌখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন চরন মাঝিনা হোস্পিতালদা চৎতুনা নুপীমচা অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বিরোধি বি.জে.দি. অমসুং কংগ্রেসনা ভুবনেশ্বরদা ধরনা চথবগা লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং হয়ার এদুকেসন মন্ত্রিবু ফম থাদোকবা দাবী তৌখ্রে।

মরক অসিদা, নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সু মোটো কোগনিজেন্স অমা লৌখৎখ্রে অমসুং উরিষ্যা পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেলদা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎতুনা মদুগী রিপোর্ট অমা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা পীখৎনবা খঙহনখ্রে। মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা

অহকপা থবক লৌখৎনবসু হায়খ্রে।

**ঈচাওঃ** মধ্য প্রদেসকী জিলা কয়াদা নোং লেপ্তনা চুবদগী ঈচাও থোক্লে। রেৱা, সতনা, মাইহার অমদি ছাতরপুর জিলাশিংগী খুঙ্গংগী মীয়াম শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে।

ছাতরপুর জিলাদা ঙরাং খ্বাইদগী নোং য়ামা তাখিবা জিলা ওইখি। মেট দিপার্টমেন্টনা রাজ্য অসিগী জিলা ১৯ দা অকনবা নোং তাগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে অমদি জিলা ২২ দনা য়োল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

উত্তরাখন্দদসু থা অসিগী ১৭ ফাওবা নোং তাগনি হায়রি। ফিভম অসি য়েংলগা মীয়ামনা চেকশিন্না লৈননবা সরকারনা খঙহল্লি। রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। ষ্টেট ইমর্জেন্সি সেন্টরগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিদা নোং কন্না চুবা অমদি লেন্দস্লাইদ থোকপনা মরম ওইদুনা লম্বী ৮০ হেন্না থিংজিল্লে। লম্বী শেংদোকপগী থবক চথরি।

হিমাচল প্রদেসতসু নোং কন্না চুবদগী রাজ্য অদুগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। ৱেদর দিপার্টমেন্টনা হায়-থা অসিগী ১৮ ফাওবদি রাজ্য অদুদা নোং চুখিগনি। উনা, মন্দি, শিমলা, সোলান অমসুং সিরমোরদসু হয়েং অকনবা নোং চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। হন্দক্কী ঈচাও অমদি মসিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৯৫ শিখ্রে, ১৭৫ না অশোক অপন নংলে অদুগা মীওই ৩৩ দি থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

**কন্দোলঃ** তেলেগুগী শকাইরবা এক্তর-কোতা শ্রীনিভাস রাওনা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে।

শকাইরবা এক্তর অসি ঙসি হায়দ্রবাদতা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবনি। মহাক চহি ৮৩ শুখ্রে। মহাক্কী অৱাবা ফোংদোকপগী পাউজেলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কোতা শ্রীনিভাস রাওনা সিনেমাগী লমদা তৌরম্বা থবকশিং অদু মতম চুপ্পদা

নীংশিংদুনা লৈরগনি। মহাক অসি সমাজগী য়াইফনবা তৌরম্বা অমসুং লাইরবা অমদি তুহৎপীরবশিংদা শক্তি পীনবা থবক পায়খৎখিবা মীশক অমনি হায়না শিংথারি।

**এৱার্দ ঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না লেমজনিঙাই ওইরবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এভেঞ্চর এৱার্দ ২০২৪ গীদমক নোমিনেসন পীখৎলকবা কৌরি। নহারোলশিংনা শিংনবা ফিভম কয়াগী মরক্তা এভেঞ্চরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবশিংদা মনা অসি পীগদবনি। আর্জুন এৱার্দকা লোয়ননা চহি খুদিংগী ওইনা পীবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এভেঞ্চর এৱার্দ অসি কেটাগোরি মরি- লেন্দ এভেঞ্চর, ৱাটর এভেঞ্চর, এয়ার এভেঞ্চর অমসুং হায়রিবা লম অহুম অসিদা লাইফটাইম এচিভমেন্টকীদমক পীগনি।

**টাইকুন্দো (এল)ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী কোলকাতাদা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা ইন্দিয়া প্রোগ্রেসিপ কপ নেসনেল ওপন টাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপতা চান্দেল জিলাগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান মঙা লৌরকখ্রে।

চান্দেল কন্টিজেন্টশিংগী শান্নরোইশিং অদুদি-থোলুং বুংৱারসন লমকাং, টি.ঐচ. আলানা খৃষ্টান রিংবোরটিন মোনশাং, থোলুং কেরোলিন, গালিনৱাং মালাংমৈ অমসুং রেংজোইসন সিলসিনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা সনাগী তকমানশিং ফংখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এ.এফ.সি. ৱিমেন এসিয়া কপ ২০২৬ তা ক্বালিফাই ওইরবা মনিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

**ফুটবোলঃ** ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপ-২০২৫ তা চেলসি এফ.সিগা পেরিস সেন্ট

জরমেনগা থাইলেন্দনগা ঙসি অহিং য়ু.এস.এগী ন্যু জরশিদা লৈবা মেটলাইফ ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

মেটচ অসি ঙসি অহিং নোংয়াই পুং ১২ মখায়দগী শান্নবা হৌগনি।